# অরিবা মণিপুরী শৈথারোন্দা খোঙ্গল লৈরাং

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*লৈরাং মরা তাবনা*
*তাওবা খুজিন মানলিদো*
*লৈরাং মউ তাবনা*
*য়াংলৈ খুবোম মানবা লৈ।*
*শিঙেন লৈনা য়েংলগা*
*তাওবা হুইরৈ মানবা লৈ*
*লৈরাং মানা শাৎলগা*
*য়াংলৈ তাওবা মহাক্কী*
*নাপ মান্না শাৎলিদো।*
*... ... ...*
*তাওবা মানা খোংবগী*
*মিংথাং খরা লৌরগা*
*"খোঙ্গল" লৈরাং কৌরগে।*

লৈরাংশিংবু মথ্বায় হাপ্পুনা অৱাংবা থাক্তা চিংখৎপীরম্বা ইপা ইপুশিংনা তন্বীরম্বা মমল য়াম্লবা শৈথা খুদোলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লৈরোল শৈথানি ***খোঙ্গল।*** মদুদগীসু হেন্দোরক্তুনা তাইবঙ মীওইবগা অদুক্কী মতিক নক্লা লোয়নরিবা তাওবা হুইবু তাথী তাওইনা তৌবীদনবা পাউজেল পীরিবা শৈরোলনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঙসিগী মীরোলনা য়ূমশা অসিবু অহাওবা এঞ্জাং ওইনা শীজিন্নখৎলকপসিদদি লৈঙাক্লসু মাবু হাৎপা য়ারোই হায়বগী অথিংবা থল্লি। থিংজৈ হায়দুঙায় মীনুংশি পোক্লোই হায়না পোক্ত্রবশিংদদি উরিৎ নাপঙবীগুম্বনি। হূই লুনা চান্না য়োকচবা হূইবু মশীং থিঙমদখৈ লৈরবা মতমসি ফাওবদা হূই হেক উবগা মতিন চুম্বা ময়াম অমসু লৈরিপোৎনি। মদুদনি হূই হাৎপগা মরী লৈনবা মীফা মীপুন কয়া থোক্লিবসি। হৌজিকসু অদুমঙায় ইমুংদা হূই চঙবা তৌহৈদে মাংই হায়বনচিংবা থাজনবী অসি পুম্মাঙ মাঙখ্রে হায়বা য়ারোই। তাইবঙ মীওইবনা উগে ফংঙমদবা লাই ফাওবা উবা ঙম্মী থাজনরিবা হূইনি।

অসিগুম্বা হূই, তাইবঙ মীওইবা অমদি লৈরাং খোঙ্গল অহুম অসিগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা অচেৎপা মরী অদুগী নুংওনবা ৱারী ৱাখোঙ লৈরোন্দা য়াওরি। নোংমা পাল্লৌ থবক শুফমদা শাজোক নিংথৌনা মশানৌ লাংমৈ লেন্বীদা য়ূম্লেপ চারা তম্মিন্নরসি হায়না থেল্লম্মী। অদুবু লাংমৈ লেন্বীনা হায়রম্মী, "লাংমৈ লেন্বী ঐদি লায়রবী ওইবনা ইনিংথৌগী য়োইবু য়োইহেন মরক্তা তিনবা ইতিক ইপা ওইজদে। হয়েংদি চয়োম শেমদুনা পুরক্কে পাল্লৌসিদা ঙাইবীরম্মু।" অসুম্না হায়নরগা মাগী মাগী য়ূমদা হন্নখ্রে। মথংগী নুমিত্তা নোংঙাল্লম ঙানফাৎত্রিঙৈদা হৌগৎলগা শাজোক নিংথৌদি পাল্লৌদা পাম য়ানবা হৌখ্রে। লাংমৈ লেন্বী উনীংবগী খৌরাংবা হেনমনখিবনা শুরিবা থবক অদুদা পূক্লিং চঙবা ঙম্লমদে। লাংমৈ লেন্বীসু অয়ূক ঙন্তানা হৌগৎলগা ইরু মাইথজদুনা পাল্লৌদা পুননবা চাক ঈশিং থৌরাং তৌরম্মী। থোংবা থাকপা লোইরবা মতুংদা চয়োম য়োমশিল্লগা পাল্লৌ মায়গৈ তম্লকখি। মহাক্লা লুনা চান্না লোয়জবা তাওবা হূই অদুসু মাগী মতুং ইল্লম্মী। অয়ূক্কী নুমিৎ থোরক্লবা ফাওবদা লাংমৈ লেন্বী য়ৌরক্ত্রবদা নোংঙাল্লে হায়বসি খঙদব্রা নৎত্রগা নারব্রা হায়না খনবগা লোয়ননা শাজোক নিংথৌদু খোয়রাং খোয়শাওনরম্মী। অসুম্না লাংতক্করিঙৈদা লাংমৈ লেন্বীগী হূই অদুনা মাঙজৌননা মফম অদুদা য়ৌরক্লম্মী। মবেম্মা লাক্লে তাক্তুনা খোংলম্লগা অমুক হল্লগা চেনখ্রে। নুংশাদা পাম য়ানবগী ৱাবনে, মশানৌ উদবগী খোয়রাংবনে হূইগী মরোন্দু খঙদবনা মরম চাদনা খোংই হায়দুনা য়াম্না শাউরম্মী। অশাউবা পূম্নমক হূই অদুগী মথক্তা হৈথদুনা লীরুং তেন পায়খত্তুনা কাপ্লম্মী। তেন্না পাল্লবা হূই অদু লৈমায়দা থরো থরো ওল্লম্লগা লাউনা খোংনা চেনখ্রে। ঙাইহাক লৈরগা লাংমৈ লেন্বীসু য়ৌরক্লম্মী। চয়োম অদু থোক্লগা চামিন্নরম্মী। চাবা থকপা লোইরগা লা মতোন অমদা খাইদোক্তুনা চাক অদু পায়রগা মাগী হূইবু অসুম্না কৌরম্মী, "হা তাওবা মহূইচা, পোইরৈ কৈদা চৎখ্রবা, তরা চাকসু চারো লাও, তাওবা হোই হোই"

মতম অদুদা শাজোক নিংথৌদু নুংবংননা লৈরম্মী। মাগী মতৌদু উবদা লাংমৈ লেন্বীনা হংলকখি, "ঐনা তাওববু কৌরগা ইনিংথৌনা তূমিন্না থৱায় নুংঙাইতনা লৈবীরিবসিবু করিগীনো?"

শাজোক নিংথৌনা হূই অদুদা মাগী তেন্না পানখিবগী থৌদোক অদু পাউদম্লম্মী। মহাক্কী হূইনি হায়বদু খঙলুদবনা থোকখিবা থৌদোকনি হায়না থেমজিল্লম্মী। মদু তাবদা লাংমৈ লেন্বীদি মহাক্লা লুনা চান্না লোয়জবা হূই অদু মথ্বায় মাঙলম্বা তারে হায়না কপ্পা কপ্পা থিবা চৎলম্মী। শাজোক নিংথৌসু নিংশা থীনা হূইগী খোঙ্গুল লীরম্মী। হূইগী অশিবা হকচাং অদু থেংনরবদা লাংমৈ লেন্বীনা মতম্বাক্তা পমখৎলগা তেংথাদুনা কপ্লম্মী। কপ্পা কপ্পা মতম চূপ্পদা মাবু ঙাকপী শেনবীরিবা মাগী হূই অদু হিংগৎহনবীয়ু হায়না শাজোক নিংথৌদা হায়রম্মী। মাগী ৱাদু তাবদা শাজোক নিংথৌনা অসুম্না থেমজিল্লম্মী, "ইশানৌ লাংমৈ লেন্বী, নহাক শাউরগনু। পূম্নমকসি খোয়ুম মাগী নোংদম্লি। নঙগী হূই অসি অমুক হন্না হিঙ্গৎহনবা হায়বদু ওইথোক্লরোই। হূই অসি উগী উকাসিদা থাঙ্গৎলগে। মাগী হকচাং অসিনা লৈরাং ওইনা শাৎলগা চীংঙু ঈরাৎ থৌনিদা য়াওবা ওইরসনু।"

অসুম্না থেমজিন্দুনা লাংমৈ লেন্বীগী পূক্লিং ফাজিনবীখি। তেংথাদুনসু অমুক হন্না লাক্লরোই হায়বা ৱাখলগা লোয়ননা মাগী তাওবা হূইনা লাংওনবা লৈরাং অদু মমিৎ পেন্না য়েংজরগে হায়না খনখ্রে। মতৌ অসুম্না কুমগী নোং চুরকপদা মরা চোংদুনা লৈরাং লৈশাৎ তম্লকখি। শাজোক নিংথৌগী মফমদা মশানৌ লাংমৈ লেন্বী লাক্লে খঙহন্নবা খোংখিবা তাওবা হূইগী হকচাংনা লাংওনখিবা লৈরাংনি হায়দুনা খোঙ্গল হায়না মিংথোনখি।

মতৌ অসুম্না থায়না মমাঙঙৈদা তাওবা হূইশিংবু ঙাক শেন্নবা অকক্লবা চৎন-পথাপ লৈরমদ্রবসু মখোয়দা মীনুংশি পোকহনবা ৱারী শৈথারোন্নচিংবা মরাং কায়না থন্বীরম্মী। লৈঙাক্কী অকন-অকনবা লো ময়াম অমা লৈরবসু মদুগী মায়োক্তা লৈবা থৌওং থৌচৎ ময়াম অমা থিংবা ঙমদনা লৈরি হায়বসি হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি ককপা য়াররোইদবা ৱাফম অমা ওইরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লোখক্তনা ওইবা য়ারক্তবা মতাংসু লাকই। পূক্লিং ৱাখল থম্মোয়দা ইথিল পীবা মথৌ তারকই। পঞ্জখ্রিবা শৈথারোল অসিবু ঙসিগী মীরোলগী থম্মোয় নাপ খুদিংমক্তা য়ৌহনবা তঙাইফদে। মপূং ফানা য়ৌহনবা ঙম্লবদি হূইসু থৱায় পাল্লিকো হায়বসি খন্থবগা লোয়ননা মখোয়বু নুংশিবগী ঙাক শেন্নিংবগী ৱাখল শোয়দনা লাক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরি। ●

ষ্টেটকী পাউ

## বাব্রি মসজিদ থুগায়খিবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

# কম্যুনেল ফোর্সশিংগী মায়োক্তা থেংনমিন্নরসি: সী পি আই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচএনএস): কুমজা ১৯৯২গী দিসেম্বর ৬তা হিন্দু লাইনিংদা হকচিনবা কা-হেন্না থাজবা কাঙলুপ খরগী অপূনবা খূৎপুনা চহী লিশাং শীৎনা লৈজরক্লবা মুসলিমগী বাব্রি মসজিদ থুগায়খিবগী নীংশিং থৌরম ঙসি ক্ষেরগাওদা লৈবা জিলা পরিষদকী মেম্বর ওইরিবা নজরু ইস্লামগী য়ূমদা কমরেদ নজরু ইস্লাম অমসুং কমরেদ অথোকপম লালা ষ্টেট সেক্রেটরিএট মেম্বর, সী পি আইনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

নীংশিং থৌরম অদুদা কমরেদ এল সোতিনকুমার ষ্টেট সেক্রেটরি, সী পি আই, কমরেদ ডা. এম নরা সিংহ নেসনল ইগজেক্যুটিভ মেম্বর, সী পি আই কমরেদ ডা. বদরউদ্দিন ষ্টেট ইগজেক্যুটিভ মেম্বর সী পি আই, তানজিম ইনসাফকী সেক্রেটরি ইস্লাউদ্দিন কে শামুঙৌ প্রসিদেন্ট ইন্দিয়ন এসোসিএন ওফ লোয়র্স মণিপুর চেপ্টরনা মরু ওইবা ৱাঙাঙলোই ওইখি।

কমরেদ সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়া হাবয়সি মীপূম খূদিংমক্লা চৎনিংবা লাইনিং লাইশোন তৌজবদা মনিং তম্না চৎচবদা কনা অমত্তদা অথিংবা পীবা য়াদে। ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনদা সেক্যুলরিজম ৱাফম প্রিএম্বলদা ময়েক শেংনা য়াওরিবনি অদুবু ইন্দিয়া অসি হিন্দুখক্তগী লমদম ওইহনগদবনি হায়জবা শাথিরবা কাঙলুপ অসিনা মতমদুগী বি জে পিগী লুচিংবা এল কে অদভানি, মুর্লি মনোহর জে াসি, উমা ভারতিনচিংবা কয়া য়াওনা নমদুনা রথ যাত্রা পাঙথোক্তুনা মুসলিম লাইনিং চৎচবশিংগী ব্রাব্রি মসজিদ অদু থুগায়বীখি। অসিগুম্বা তৌহৈদ্রবা থবকশিং অসি মতুংদা অমুক থোক্তনবা সেক্যুলরিজমগী ৱাহন্থোক মপূং ফাহন্নবা নীংশিং থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়না থমখি।

ডা. এম নরনসু, ইন্দিয়া হায়বসি জাতি শুনা লৈবা চৎনিংবা লাইনিং মখল শুনা লৈবা লমদম্নি। হিন্দুখক্কী লমদম নত্তে, সেক্যুলরিজম হায়বসিদা লাইনিং লম্বী অমবু অতোপ্পা লাইনিং লম্বী অমনা হন্থনা য়েংবা য়াদে হায়বসি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুন্টকী প্রিএমবলদা ময়েক শেংনা য়াওরিবনি। অদুবু ঙম্মী হায়বগী মতাগুম লাইনিং লম্বী অমবু থুগায়নবা শীনবদি পামদবা থৌদোক কয়া কয়া থোক্লকপা য়াই। অমরোমদা লাইনিং লম্বীগা পোলিটিকেলগা পূনশিন্দুনা লৈবাক ঙাক্লবদি ইন্দিয়া অসি কাং-খোং চাইনবগী মচাক ওইরক্কনি হায়খি।

নীংশিং থৌরম অদুদা কমরেদ ডা. বদরউদ্দিন, ইস্লাউদ্দিন অমসুং কে শামুঙৌশিংনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অদুগী মরমদা শুগায়না থমখি। বাব্রি মসজিদ থুগায়খিবগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা কাঙলুপকী ঈরাং কয়া থোক্লকখিবা, মীশি-মীনা, হুরান-চিন্থি, য়ূম, দুকান, লাইনিং-লাইশোন মফম কয়া থুগায়রকপা অমদি মীওই ২০০০গী মথক্তা শিহনখিবগী নুংঙাইতবা ৱাফম ফোঙদোকখি। মরু ওইনা থৌদোক অদুদগী জিহাদিশিং থোক্লক্লবগী মরম কয়া মরু ওইহনখি হায়না থম্বগা লোয়ননা নীংশিং থৌরম অসিনা তুংদা লাক্কদবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মীপূম খূদিংমক্লা হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

# বী এম মাইস্নাম্বনা ইবা 'মৈতৈ পাখঙ ৭' ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচএনএস): মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা বী এম মাইস্নাম্বনা ইবা নোভেল 'মৈতৈ পাখঙ ৭' ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর হিন্দি পরিষদতা ইমিনেন্ট স্কোলার লোংজম জয়চন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা ফোঙখ্রে।

বী এম মাইস্নাম্বগী 'মৈতৈ পাখঙ ৭' হায়রিবা নোভেল লাইরিক অসি অইবনা মণিপুরগী য়ূম কয়াদগী মাঙখ্রগা লালহৌবা খুৎপুশিংদা চংখ্রবা মৈতৈ পাখঙশিং অদুগী পুন্সিদা য়ুম্ফম ওইরগা নোভেল খরা ইগে হায়না খল্লকখিবগী মহয় অমনি। অইবনা নোভেল অসি মতৌ করম্না ইরকখিবগী ৱাখল্লোল ফাওরকখিবনো হায়বদু লাইরিক অসিদা ময়েক শেংনা পল্লি মদুদি মৈতৈ পাখঙ ৭ শেমগৎলকপগী মতাংদা ৱারীগী অহানবা পংখৈ লৈ। লালহৌবা লৈরে, লোন্না ফোংনা। নোংমৈ মখোলনা শাফোংলক্ত্রি। মরম অদুনা লাইরিক অসিগী অহানবা কাতুপ্তা 'দিস ইজ দি বিগিনিং' হায়বা ৱাফম থল্লি।

ইখং খংহৌদনা 'মৈতৈ পাখঙ ৭' নোভেল অসি কুমজা ১৯৭৪গী জুলাই ২৪দা ইনিংবা ফাওরকখিবনি। মদুগী মরক্তা 'মমিং মুৎখিবা লালহৌবা', 'লালহৌবা ইদিটর' হায়না মীংথোনবা ৱারী মচা অনী 'ইরৈপাক' চেফোঙদা কুমজা ১৯৭৪ অমদি ১৯৭৫তা ফোঙখি। কুমজা ১৯৬৫দগী ১৯৭৩/৭৪ ফাওবদা থোকখিবা লালহৌবা কয়াগী মতমবু কোনশিন্দুনা কুমজা ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২১দা মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংলবা মতুংদগী লালহৌবগী ইরাং খরা অমুক নেমথখি। কুমজা ১৯৭৭/৭৮দগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা থোকখিবা লালহৌবগা মরি লৈনবা থৌদোক ৱারী কয়াসু লৈরি। থৌনা ফৱবা মৈতৈ পাখঙ কয়া মথৱায় থাখ্রে। পাম্মুরবা পাখঙ কয়া থুপখ্রে। পুন্সিগী মতমনা হিংথদুনা লৈবগী খুদোংচাবা পীবিরগদি মখা তানা কংলৈ পাখঙ লালহৌবা কয়াগী নুংশিরবা, থাগৎনিংঙাই ওইরবা ৱারীসু ইখিসিরা হায়বসি অইবগী ৱাখল্লোনি। 'মৈতৈ পাখঙ ৭' হায়রিবা নোভেল অসি খুৎশেম ৱারী অমনি কনা-কনাগুম্বগী পুন্সিগী ৱারীদগী শৎতোকপা নত্তে। অইবগী তোঙানবা তাইবঙ অমনি খনবিরগা পাবিয়ু অমদি নৈনবিয়ু হায়বসি অইবনা মীয়ামদা থমজবা ৱাফমশিং লাইরিক অসিদা ময়েক শেংনা পল্লি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লমদম অসিগী শক্লাইরবা অইবশিং অমদি মণিপুর খোরিরোলবু নুংশিজবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

### OFFICE OF THE
### SAMUROU MUNICIPAL COUNCIL
### SAMUROU, MANIPUR

**/ NOTICE**

**Samurou, the 4th December, 2021**

**No.6/7/2017-SMC(SEP):** This is for information to the General Public that any urban poor individual of 18 years and above desirous of setting up an individual micro-enterprise for self-employment and the Self Help Groups (SHGs) formed under Deendayal Antyodaya Yojana - National Urban Livelihoods Mission (DAY-NULM) can avail benefits of subsidized loan under Self Employment Programme (SEP-1 & SHG-Bank Linkage) of DAY-NULM.

The financial assistance will be available in the form of interest subsidy on the bank loan. The difference between 7% per annum and the prevailing rate of interest will be provided to banks under DAY-NULM and no collateral on the bank loan is required.

Eligible individual and Self Help Groups within the jurisdiction of Samurou Municipal Council can avail prescribed application form from the Council during office hours on the following days:

| | | |
|---|---|---|
| Form Issue date | - | 06.12.2021 |
| Last Date of Form Submission to the Council | - | 16.12.2021 |
| Last Date of Recommendation by Task Force | - | 24.12.2021 |

Sd/- **L. Romesh Singh**
Executive Officer,
Samurou Municipal Council, Manipur

HL-P/0860/7

### OFFICE OF THE
### IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

**/ NOTICE**

**Imphal, the 4th December, 2021**

No. 3/6/2018-IMC: This is for information to the General Public that any Urban Poor Individual of 18 years and above desirous of setting up an individual micro-enterprise for self-employment and the Self Help Groups (SHGs) formed under Deendayal Antyodaya Yojana - National Urban Livelihoods Mission (DAY-NULM) can avail benefits of subsidized loan under Self Employment Programme (SEP-1 & SHG-Bank Linkage) of DAY-NULM.

The financial assistance will be available in the form of 7% interest subsidy on the bank loan. The difference between 7% per annum and the prevailing rate of interest will be provided to banks under DAY-NULM and no collateral on the bank loan is required.

Eligible individual and Self Help Groups can avail prescribed application Form from the office of the Imphal Municipal Corporation during office hours on the following days:

| | | |
|---|---|---|
| Form issue by IMC | - | 06.12.2021 |
| Last date of Form submission to IMC | - | 16.12.2021 |
| Last date of Recommendation by Task-Force | - | 24.12.2021 |

Sd/- **Ksh. Gyanendra Singh**
Asstt. Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-B/7341/7

### OFFICE OF THE
### THONGKHONG LAXMI MUNICIPAL COUNCIL
### IMPHAL WEST, MANIPUR

**/ NOTICE**

**Thongkhong, the 4th December, 2021**

**No.14/1/2017-TLMC(nulm):** It is hereby notified for information of the general public that any urban poor individual of 18 years and above desirous of setting up an individual micro enterprise for self-employment and Self Help Groups (SHGs) formed under Deendayal Antyodaya Yojana - National Urban Livelihood Mission (DAY-NULM) can avail benefits of subsidized loan under Self Employment Programme (SEP-1 & SHG-Bank Linkage) of DAY-NULM.

The financial assistance will be available in the form of interest subvention on the bank loan. The difference between 7% per annum and the prevailing rate of interest will be provided to banks under DAY-NULM and no collateral on the bank loan is required.

Eligible individual and Self Help Groups (SHGs) can avail prescribed application form from the office of the undersigned during office hours on the following days:

| | | |
|---|---|---|
| Issue of form | - | 06.12.2021 |
| Last Date of Form Submission | - | 16.12.2021 |
| Last Date of Recommendation by Task Force | - | 24.12.2021 |

Sd/- **MM Ziaur Rahaman**
Executive Officer,
Thongkhong Laxmi Municipal Council

HL-P/0861/7

### IN THE COURT OF CIVIL JUDGE SR DIVISION, IMPHAL WEST, AT LAMPHELPAT, MANIPUR

**Original Suit No. 13 of 2020**

Smt. Rajkumar Ongbi Langlen, aged about 52 years, W/O R.K. Dorenchand Singh, resident of Kwakeithel Leimakhujam Leikai, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur.
- Plaintiff

-Versus-

(1) Lee Faith School, Haorang Block, Sangaiprou, Imphal West, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District represented by its Secy./ President
(2) T. Khanthang, aged about 45 years, S/O. Late Phungjathang Tonsin.
(3) T. Khumei, aged about 43 years, D/o Late Phungjathang Tonsin.
(4) T. Chinghoih, aged about 41 years, D/o Late Phungjathang Tonsin.
(5) T. Lulun, aged about 29 years, S/o Late Phungjathang Tonsin.
(6) T. Lalpu, aged about 26 years, D/o Late Phungjathang Tonsin.
All are the residents of Paite Veng Sangaiprou P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur.

**SUBSTITUTED SERVICE OF SUMMONS UNDER ORDER V RULE 20 CPC. 1908**

Whereas the above Defendants no. 2 to 6 have avoided the service of summons keeping themselves out of the way issued by this court in connection with the above mentioned case, means of ordinary method of serving summons with process servers of this court having been ineffective this court passed order the service of summons to the said Defendants by an advertisement in the newspaper.

Further the Defendants are hereby directed to appear before this court on 6th January, 2022 at 10.30 am in person or by a pleader duly authorized and also to file on that day, their written statement and to produced documents if any.

Take notice that, in default of your appearances on the day and time before mentioned, the case shall be heard and determined in your absence.

Given under my hand and seal of this court this the 2nd day of December, 2021.

Seal
By : Advocate
HL-P/0858/7,8

Sd/- **Judge**
Civil Judge Sr Div.,
Imphal West, Manipur

**HOCKEY TOURNAMENT**

**"1st State Level (L) Shri Akoijam Nipamacha Singh (@Ibocha) Memorial U-14 Boys and Girls Hockey Tournament, 2021"**

*Organised by* Taobungkhok Welfare Club
*In collaboration with Manipur Hockey Association and Hockey Imphal West Unit*

Opening Ceremony : 20th Dec., 2021
Venue : T.W.C. Playground
Application Fee : Rs. 2000/-
Last date of form submission : 16/12/2021

**For more informations, pliz contact with the following Mobile Nos.**
**1. 9324291983 2. 6005197964 3. 9856289458**

HL-P/0853/7

**/ JOB VACANCY**

Class X, XII amadi Graduation Pass touraba candidatesingbu tongan tonganba official post recruitmentgidamak darkash koujari. Imphal amasung atoppa major districtsingi oigadabani. Mashida mashagi chahi 30gi manungda leiba lairik tamliba meeoisingnasu apply toubiba yagani.

| | | |
|---|---|---|
| No. of Vacancy | : | 40 Male & 36 Female. |
| Income | : | 7,000/- to 35,000/- (P.M.) |
| Visiting Hr. | : | 12 noon to 3 pm. |

Apply toubiningba meeoisingna athuba matamda eshagi Biodataga loinana lakpiyu.

**"NO DEPOSIT REQUIRED"**

# Athappa meeoisinggidamak leipham chaphamgi khudongchabasu pijari.

HL-P/0809/3,7,9 **Contact : 9774986962, 8812023893**

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

**SANGAI TUTORIAL**

Kwakeithel near Imphal College, Imphal

ADMISSION OPEN

**FOUNDATION cum REVISION COURSE for**

CLASS - X, XI & XII Sc. (COHSEM)

Class commencement : 6th December 2021 (Time : 3:00 pm - 7:30 pm)

Warmly Welcome HSLCE 2020 Position Holders & Received Book Grant.




Special features : Chapterwise Test Series. We provide printed probable questions and answers. Hostel for Boys &Girls. Van Service available

Form available at 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol Opp. Tiddim Ground
For more details pliz. contact #8413855751 / 9862712287

HL-P/0799/1-15/12